থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# বনানা রিপব্লিক’তা, মেনগো পার্টি




‘বনানা’ হায়বা ইংলিস ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক অঙাং মচা অমা ফাওবা খঙদবা লৈরম্লোই। লফোয় কৌবা চাননবা উহৈ অদুনি। অদুবু ‘বনানা রিপব্লিক’ হায়বা পোলিটিকেল সাইন্সকী ৱাহৈ-ৱাপা (টর্মিনোলোজি) অদুদি তাদবা মীনা য়াম্লমগনি। মীয়াম্না ফাগী ওইনা ঙাঙনবগী ৱানি- ‘ইন্দিয়া হায়বসি বনানা রিপব্লিক অমনি’ হায়নরিবা ৱা অসি অফবা, থাগৎ ৱাহৈ নত্তে, মথোঙ হুক্তবা লৈঙাক মওং অদু করেম্নরিবনি।

থম্মোয় পাউদম ওইনা বনানা রিপব্লিকী মতাঙদা ৱারোল খরা ইনিংলক্লিবসি অতৈ মরমদগী নত্তে। ঙসি অয়ুক চরা ৱানবদা (ব্রেক ফর্ষ্ট হায়নবদুগী মহুৎনি) লফোয় অমা চারুরে, ইচলনুপীনা মাগী ইংখোলদগী হেল্লকপা। মদুদা নীংশিংলকখিবনি, বেঙ্গলোরদগী ঐগী মরুপ ‘দিপেন দত্ত’গা ব্রেক ফর্ষ্ট চামিন্নবদা য়াম্না তোয়না হায়গনবা ৱাহৈ পরেং অমা...

‘ইন্দিয়া ইজ এ বনানা রিপব্লিক রন বাই এ মেনগো পার্টি...’। আম আদমিগী আম হায়বা ৱাহৈদু হৈনৌ ওইনা হন্দোক্লগা হাইফেৎ করেম কথায়নবনি ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাকসিবু।

খঙবীনিংদবরা, বনানা রিপব্লিক করিনো? রিপব্লিক হায়বসি করিনো খঙদনা বনানা রিপব্লিক খঙঙম্লোই। মীয়ামগী মীহুৎ ময়াম্না লৈঙাক থৌরম পুবা লম, লৈঙাক অসিগী শক্তি পুম্নমক মীয়াম’খুত্তা লৈবা লম, মীয়ামগী মীহুৎ অমনা লৈবাক্কী মপু ওইবা লম, নিংথৌগুম্বা লৈঙাকপা শক্তি সুপ্পায় পায়বদুদি নত্তবা- অদুগুম্বা লৈবাক্তুবু কৌই- পিপলস রিপব্লিক। মালেমদা ঙসি লৈরিবা নীংতম্বা লৈবাক ২০৬ সিগী মনুংদা লৈবাক ১৪৭ কী মিংদা নম্বী রিপব্লিক হায়বা ৱাহৈসি। অদুবু রিপব্লিক কৌরিবা লৈবাক খুদিংমক মীয়ামগী মীহুৎ ময়াম্না লৈঙাক থৌরম পুবদি নত্তে। রিপব্লিক কৌদবা লৈবাক্তসু মীয়ামগী লৈঙাক লৈবা লৈ।

‘বনানা রিপব্লিক’ হায়বা ৱাহৈসি ইহান হান্না শীজিন্নবা হৌখিবসি, ও: হেনরি কৌবা অমেরিকান রাইটর অদুনা কুমজা ১৯০৪ দগীনি। হৌখিবগী ৱারীসু লফোয় য়োনবা লল্লোনবশিংনা কুমজা ১৮৭০ অদুৱাইদগী জমাইকাদগী পুরক্লগা অমেরিকাদা (মরুওইনা বোষ্টোনদা) চাদা লিশিং অমগী শেন্দোং ফংদুনা য়োনবা হৌখিবদুদগী ওইখিবনি। কুমজা ১৯০৪ দা ও হেনরি’না ‘কেব্বেজেস এন্দ কিংস’ (কোবী অমদি নিংথৌ) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ইখি। লাইরিক অদু হেনরি মশামক্না কুমজা ১৮৯৬ তগী কুমজা ১৮৯৭ ফাওবা ‘হোন্দুরাস’তা লৈরিঙৈদা মশামক্তা থোকখিবা থৌদোকশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইবা ৱারীমচা ময়ামগী খোমজিনবা লাইরিক্তুদা শীজিন্নখিবা ৱাহৈ- বনানা রিপব্লিক। মহাকপু, অমেরিকান গভর্ণমেন্ট’না, মতমদুদা থোকখিবা লল্লোন ইতিক’কা মরী লৈননা, অমেরিকান বেঙ্কশিংদা থোকখিবা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবা ৱাথোক খরদা ৱাহং পাউহং তৌনবা ফাগৎখি। খ্বাইগী শেন্দোং য়াম্না ফংবা, মতমদুগী কারবারদি পাক্ল-শন্না থানরিবা অমদি য়োন্নরিবা ‘লফোইগী কারবার’নি। কারবারদুগী শেন্থং লৌনবা বেঙ্কশিংদা অঙকপা ফংনা শেঞ্জা-থুমজাগী থবক তৌনরম্মী। মরাল লৈবা মী কয়া চৈরাক ফংখি, কয়া অমনা শেঞ্জাও পায়বা অঙম্বা ওইখি।

অদুগী মতুং তারকপদদি ‘বনানা রিপব্লিক’ - পোলিটিকেল সাইন্সকী টর্ম অমা ওইনা শীজিন্নবা হৌরক্লে। মীয়ামগী মীহুৎ অঙম্বশিংগা মান্নরগা, মাগী মাগী খুৎচাবা খোঙলোয়শিংনা মনিং তম্না তৌনিংবা তৌহনবা। কান্নবা শেন্দোং ফংলগা মরন্নাইগী ওইখিবা, ক্রোরপতি ওইখিবা। ৱাথোক-লান্থোক থোক্তুনা, ঈজৎ মাঙবা তারবা, শেন্দোয় শেল্লেপ মাঙলবা- লৈঙাকসিগী মাঙজবা। হায়বা ইনবা ওফিসর, মচুম চাবা পাম্লুবা- মখোয়দুগী শরুক্কি- ৱাসাসু চাবা লাল্লুপসু কাবা। চৈরাকসু ফংবা, ৱায়েনশঙসু মায়োক্লবা।

চহী কয়াগী মমাঙদগী, শক্তি লৈবা লৈঙাকপা খুদিংগী মরুমদা লৈখি শেঞ্জাও পায়বা লল্লোনবা কয়া। যু পি এগী মতমদসু এন দি এগী মতমদসু তুংদা লেপখি- কোর্পোরেট হাউস নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট ইনি দভিজুয়েল। সোনিয়াগী মমাক ইবুংঙো ‘রোবার্ট ভদ্র’মক্না হায়খিবনি- ইন্দিয়াদি বনানা রিপব্লিক অমনি, কনানা করিসু তৌবা ঙমল্লোই।

চহী হুমফুমাপন চুপ্পা অসিগুম্বা রিপব্লিক অমদা মপুম ফাবা ট্রেনিং ফংলবা মেনগো পার্টিগী লৈঙাকপশিংনি। ওজানা তাকপীবদি খিত্তনি, ননাই ঐনা হৈজবনা হেনবনি- লমদমসিগী পোলিটিকেল ট্রেনিশিংগী ৱাখলনি। লমদমসিদদি পার্টি লিদর, লৈঙাকপুরেন, মহাক খক্কী নত্তে, এম এল এ/মিনিষ্টর খুদিংমক্কী ‘বনানা ত্রেদর’ লৈ-অমা, অনী, নৎত্রগা অহুম। তাকপীরকপা গুরুদগী মখোয়না খোংকাপ অমা খুন্মাং চাউশিল্লি। ট্রেদর অদো অদৈ কনা ওইহন্দে। ওইহল্লি, নক্কবা মরী মতা অমা, মসেন নৎত্রগা মবাই। নৎত্রগা, মনাওনুপা অমা।

লৌশিং পুক্কে

# ওলিভ ওইলনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিং




মনা-মশিং চাবা মতমদা এক্সট্রা ভর্জিন ওলিভ ওইল (ঈ ভি ও ও) দা ঙৌরগা নৎত্রগনা তাউরগা চাবা তারবদি মনা-মশিংদা য়াওবা কেমিকেল কম্পাউন্দশিং হান্নদগী ফীভম ফগৎলকই।

স্পেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্রেনাদাগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, আলু, মাইরেন, খামেন অশিনবা অমদি খামেননচিংবা মনা-মশিং পুম্নমক রিফাইন তৌদ্রিবা অমসুং খ্বাইদগী ফবা ওলিভ ওইলদা ঙৌবা তারবদি ‘ফেনোশিক’ কৌবা কেমিকেল কম্পাউন্দ অমগী ফীভম ফগৎলকই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্রেনাদাগী প্রোফেসার কৃষ্টিনা সেমানিগো সঞ্চেজনা হায়খি, ইচম চম্না ফুৎপা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা অচাথাউদা ঙৌববুদি এক্সট্রা ভর্জিল ওলিভ ওইলদা ঙৌবনা মনা-মশিংদা য়াওবা ফেনোলিক কম্পাউন্দ হেনগৎহল্লি। মতৌ অসুম্না মনা-মশিংদা য়াওবা এন্টিওক্সিদেন্টকী মগুন হেনগৎহনবা মরম্না কেন্সর, দাইবেটিস অমসুং মেক্যুলর দিজেনরেসননচিংবা ক্রোনিক দিজিজ কয়া ঙাকথোকপা ঙম্মী। মসিদসু নৎতনা ওলিভ ওইলদগী মনা-মশিংদা ফেনোল ট্রান্সফর তৌরকপা মরম্না চাবদা হকচাং ফংহল্লি। মতৌ অসুম্না ওলিভ ওইলদা ঙৌরগা চাবা মনা-মশিং পুম্নমক হকচাংদা কান্নে। ফেনোল হায়রিবা কেমিকেল কম্পাউন্দ অসি মনা-মশিংদা য়াওদে। অদুবু ওলিভ ওইলদা ঙৌবা তারবদি কেমিকেল কম্পাউন্দ মখল অসি মনা-মশিংদা ট্রান্সফর তৌরকপা মরম্না চাবদা হকচাং ফহল্লি।

রিছার্চরশিংনা তোঙান তোঙানবা মওংদা আলু, মাইরেন, খামেন অশিনবা অমসুং খামেন গ্রাম ১২০ অচম্বা ঈশিংদা ফুৎলগা য়েংখি। খরা অমনা ওলিভ ওইলদা ঙৌরম্মী। অতোপ্পা অচাথাউ মখল অমদসু ঙৌরগা য়েংলম্মী। চাংদম্নদুনা য়েংবা মতমদদি ওলিভ ওইলদা ঙৌবা মনা-মশিংদনা ফেনোলগী চাং খ্বাইদগী য়াম্না য়াওরম্বা থেংনখি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি ফুদ কেমিষ্ট্রি মেগজিনদা হন্দক ফোঙলকখিবনি। মোনো অন্সেচুরেটেদ ফেট্টি এসিদ য়াওবা ওলিভ ওইলবু মরুওইবা মেদিরেনিয়ন দাইট ওইনা লৌনৈ। মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা মেদিটরিয়নগী মীওইশিং হার্টকী লায়না নাবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অমসুং ষ্ট্রোক তৌবগী চাং নেম্না লৈ। পুন্সি শাংবসু হেল্লি।

ফেট ওইজরবসু ওলিভ ওইলদা য়াওবা মোনো অন্সেচুরেটেদ ফেট্টি এসিদ (এম য়ু এফ এ) দি হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী। ওলিভ ট্রিদগী শুংবা ওলিভ ওইলবু কোস্মেটিক্স, হীদাক লাংথক অমদি সাপোন শাবদা শীজিন্নবগা লোয়ননা থোং থাকপদসু শীজিন্নরি। অহানবদা মেদিটরেনিয়ন লৈবাকশিং খক্তদা শীজিন্নরম্লবসু হৌজিক্তি মালেমগী মফম পুম্নমক্তা শীজিন্নরে।

মালেমগী ওইনা য়েংবদা গ্রীসনা ওলিভ ওইল শীজিন্নবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংই। গ্রীসকী মীওই অমনা চাংচৎতা চহী খুদিংগী ওলিভ ওইল লিটর ২৪ রোম শীজিন্নৈ। স্পেন অমসুং ইটলিদা চহী খুদিংগী মথংশিংনা ওলিভ ওইল লিটর ১৫ অমদি লিটর ১৩ মীওই অমনা শীজিন্নরি। মসিনা মরম ওইরদুনা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী মীওইশিং পুন্সি শাংই।

হৌখিবা চহী ৫০ রোম ওলিভ ওইলনা হকচাংদা পীবা কান্নবশিংগী মরমদা থিজিন্দুনা লাকখি। ফার্মাকোলোজিকেল রিছার্চ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, চাং নাইনা ওলিভ ওইল শীজিন্নবা মীওইশিং থম্মোয়গী লায়না নাদে, ষ্ট্রোক তৌহন্দে, ব্লদ প্রেসর ৱাংহন্দে অমসুং ঈদা য়াওবা কোলেষ্টরোলগী চাং হন্থহল্লি। ট্রাইগ্লাইসরাইদগী চাংসু নেমহল্লি।

চাং নাইনা ওলিভ ওইল চারবদি ইনফ্লেমেসন হন্থহনবগা লোয়ননা এন্দোথেলিয়ল দিসফঙ্কসন (ঈ উতোংগী মনুং থংবা শরুক্তা শোক্লকপা), থ্রোম্বোসিস অমদি কার্বোহাইদ্রেট মেটাবোজিলমগী চাং হন্থহল্লি। ওলিভ ওইল চাবদগী ফংবা এথরোজেনিক ইফেক্টনা মরম ওইরদুনা মেদিটরে-নিয়নগী মীওইশিং থম্মোয়গী লায়না নাদুনা শিবগী চাং নেম্মী।

স্পেনদা লৈবা ওটোনোমস য়ুনিভর্সিটি ওফ মেদ্রিদকী রিছার্চরশিংনা বৃটিশ মেদিকেল জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, ওলিভ ওইল চাং নাইনা চারবদি থম্মোয়গী লায়না নাহন্দে অমসুং মনুং মতম চাদনা শিগদবদগী ঙাকথোকই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মেদ্রিদকী প্রোফেসার পিলার কেষ্টিলোন অমদি মহাক্কী কাঙবুনা মশাগী চহী ২৬ তগী ৬৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৪০,৭৫৭ তা চহী ১১ চঙনা থিজিনখি। ওলিভ ওইল শীজিন্নবা মীওইশিংদি থাউদা তাউবা নৎত্রগা ঙৌবা চীঞ্জাক কা-হেন্না চারবসু থম্মোয়গী লায়না মায়োক্লদে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখিবনি।

ফ্রান্সকী নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্ঠ এন্দ কেমিকেল রিছার্চনা চত্থখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ন্যুরোলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়খি, চহী য়াম্লবা মীওইশিংনা অয়াম্বা মতমদা ওলিভ ওইল শীজিন্নরবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৪১ রোম হন্থরকই। জপানগী রিছার্চর কাঙবু অমনা থিজিনবদা ওলিভ ওইল চাবনা ফত্তবা কোলেষ্টরোলগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা অফবা কোলেষ্টরোল হেনগৎহল্লি হায়বা খঙলকখি। ব্রেষ্ট কেন্সর অমদি পূক্লিং ৱাখলগী লায়না কয়াসু ঙাকথোকই।

# রাজ মেদিসিটিদা সী এম ঐচ টি, পি এম জে এ ৱাইনা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা এৱ্যেরনেস থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর হকশেলগী তেংবাঙ অমদি প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনানা লৈবাকসিগী মীয়ামদা পীরিবা কান্নবাশিংগী মতাংদা মীয়ামগা পুন্না ৱাখল তামিন্নদুনা লমদম অসিগী ৱারবা মীয়ামদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবগী পান্দমদা রাজ মেদিসিটি, নোঠঁএ ও সীদা এৱার্নেস থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী রিসোর্ছ পর্সন দেপ্যুটি দাইরেক্তর, হেল্ঠ সর্ভিস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ডা. প্রোবিন অরাম্বমনা হায়, সী এম ঐচ টি স্কিমগী মখাদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সী এম ঐচ টি কার্দ পায়রবা মীওইশিংদা চহিগী ওইনা লুপা লাখ ২ অমদি পি এম জে এ ৱাইগী কার্দ পায়রবা মীওইশিংদনা লুপা লাখ ৫ গী কান্নবা অদু পীরবসু ঙসিসু লমদম অসিদা স্কিম অসিগী কান্নবা মপূং ফানা লৌবা ঙমদ্রি । মসিগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। কার্দ পায়রবা মীওইশিংনা চিংনবা লৈতনা মসিগী খুদোংচাবা পীবা প্রাইভেট অমদি গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা হেক্ত কার্দ অদু উৎপীরগা কেশ লেস হায়বদি পৈশা অমত্তা তিংদনা লায়েংবা য়াই। মসিদা ৱাখল তানদবনা মরম ওইদুনা খৎনবা-চৈনবা কয়া অমা থোকপা য়াওদবসু নত্তে। অদুবু দোক্তর অমদি হোস্পিটালগী মীওইশিংগা খৎন-চৈনবগী মহুত্তা অমদি সী এম ঐচ টিগী কার্দ পায়না-পায়না লায়েংবদা পৈশা অদুক-অদুক তিংখ্রে হায়না লান্না লৌবা অমদি লান্না শন্দোকপগী মহুত্তা লৈরিবা প্রোব্লেম অদুগী মতাংদা চংখ্রিবা চে-চাংগা লোয়ননা অইবা চে অমা থাবিরক্লবদি ঐখোয়না মদুবু ফজনা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর গভর্ণমেন্ট হৌজিক ওভর দ্রাফ তাই হায়রবসু সি এম ঐচ টিগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টগী মনাক্তা পৈশাগী অৱাৎপা লৈতে । অৱাৎপা হায়ববু মীয়াম্না স্কিম অসিগী কান্নবা অদু লৌদবা অদুনি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা রাজ মেদিসিটিগী চ্যোরমেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্তর হাওবিজম রাজেননা মরুওইবা ৱাফম কয়া থম্লদুনা হায়, স্কিম অসিগী কান্নবা কয়াবু লমদম অসিগী মফম খুদিংদা য়ৌহন্দুনা মীপূম খুদিংদা খঙহনবা অমদি ফংহনবা ঙম্লবদি অমুক্কা হেন্না কান্নবা হায়বদু ওইগনি। মসিদা মিদিয়াগী চাউরবা থৌদাং কয়া লৈ। মালেম অসিদা মীদগী হেন্না তাঙবা অনি শুদে, পুম্নমক মীওইবা ঐখোয়না শেন্বা-শাবা ঙাক্তনি, শেন্বীবা মবুসু মীওইবা ঐখোয় লৈরম্বগী মহাক্কী মতিক ময়াই শক-শোনবনি হায়বদি ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক্না তৌবা ঙম্বা কয়া অমা লৈ। মসি ঐখোয়না নাদ-য়েক্তনা লৈরবা মতম খক্তদা তৌবা ঙমগনি।

মখা তানা মহাক্না হায়, সী এম ঐচ টিগী কার্দ পায়বা মীওই কয়া অমা রাজ মেদিসিটিদা লায়েংখ্রে। ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক্তা মহাক্না কান্নরবা স্কিম অসিবু খরগা অমুক হেন্না ফজনা এৱার্নেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা ইমপ্লিমেন্ট তোনবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা অনা লায়েংগী মপান দগী পুশিল্লক্লিবা হীদাক-লাংথক অমদি মেদিকল ইক্যুপমেন্ট কয়াশিং ট্রান্সপোর্টনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা তাঙনা লোয়না ফংই মসিদা লৈঙাক্লা য়েংশিনবিদুনা ট্রান্সপোর্টকী চার্জ অসি খরা হোঙহনবিরবদি ঐখোয়না মীয়ামগী থৌগল তৌবদসু অমুক্কা হেন্না হোঙনা ফজনা তৌবা ঙমগনি লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামসু নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি হায়না খল্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা দাইরেক্তর হেলঠ সর্ভিস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ডা. কে রাজো, গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা মেদিকল সুপরিন্টেন্দেন্ট রাজ মেদিসিটি, রিসোর্ছ পর্সন ওইখিবা সিনিয়র কন্সলটেন্ট সর্জিকল ওনকোলোজি দিপার্টমেন্ট ডা. লৌরেম্বম সুনিলসুসী এম ঐচ টি অমদি পি এম জে এ ৱাইগী মতাংদা শুগাইনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পুম্নমক্তা তাক্তুনা খঙহনখি।

# এমসুনা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম পাংথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (এমসু) না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা এমসু উরিপোক ব্রাঞ্চনা থা অসিগী ১৮ দা উরিপোক এসেমব্লি কন্সিটিট্যুসনগী মনুংদা লৈবা হন্দক পাংথোকখিবা বোসেম, কোসেম অমদি সীবিএসঈগী এগজামদা মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিং ওক্কদৌরি।

বোসেমগী চাদা ৭০ গী মথক, কোসেমগী সাইন্সকী ওইনা চাদা ৭০ গী মথক, কোসেমগী আর্টস অমসুং কমর্সকী ওইনা চাদা ৬৫ গী মথক, সীবিএসঈগী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী ওইনা চাদা ৮০ গী মথক্তা ফংলকপা মহৈরোইশিং তরাম্না ওকপাগী থৌরম অসিদা শরুক য়াবিনিংবশিংনা থা অসিগী ১ দগী হৌরগা নমথোক্লবা ফোর্ম অমমম এমসু হেদ ক্বার্টর, দিএম কোলেজ, উরিপোক শখি দেবী স্কুল অমসুং ফেন্সি ষ্টুদিওদগী লৌবিরগা থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা থাজিল্লক্কবা খংহল্লক্লি।

তুংগী অফবা মাংজিল থাবা ঙম্বা খুনাই অমা ওইহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিং অসিবু পুক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা পীগদৌরিবা মনা অসিগী থৌরম শিনবদা মায় পাক্লবগীদমক লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু অমদি শরুক য়াবিয়ু হায়না ফোংদোরক্লি। লোয়ননা অকুপ্পা মরোল খঙননবগীদমক ৮৮৩৭০৬২৯৪৬, ৬৯০৬৬৫০২১১ অমদি ৮৮৩৭৪১১৮৪৮ হায়রিবা নম্বরশিংসিদা হংবিরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

# একাদেমীক এৱ্যেরনেস কেম্পেযন

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুৎথৎনবা কাদানা চংশিল্লকপা তোঙান-তোঙানবা খোংজঙ অমগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কুম্বিগী কুম্বি কোলেজ দা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মহৈরোই খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা হীরম দা একাদমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা কুমাম জুগেশ্বর, প্রিন্সিপল কুম্বি কোলেজ, হিজম প্রিয়োকুমার, প্রসিদেন্ট কাদা, হুইনিংশুংবম ওংবি বসন্তি প্রসিদেন্ট কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা নিংথৌজম দোরেন, ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা অমদি গীতচন্দ্র মঙাঙ সেক্রেটরি জনরেল কাদাসু শরুক য়াখি।

রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা নিংথৌজম দোরেননা হায়, ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী অচৌবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্লরিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী চৈথেং ফংদুনা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়াদা লাইচুরবা মখোয়গী অমদি খুন্নাই অসিগী তুংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীবম অমা মায়য়োক্লরিবা লমদম অমনি। অসিগুম্বা তমথিরবা লাইচৎ অসিদগী ঐখোয়গী খুন্নাই অসি লুপখিগদবদগী কনজনবা ঙসি মহৈ তল্লিবা মহৈরোই ঐখোয় ময়াম্না চেকশিনবা তাই। থৌরমদুদা গীতচন্দ্র মঙাঙনা স্লাইদ কাপ্পুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীবা অমাঙবা কয়াগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০৭।২০১৯ ইং, য়ুমশাকৈশা,
ইঙেলগী নোংমা পানবা।

মেষ : অরাপ্পদগী কান্নবা ফংবা য়াবা লৈ অমদি লেংদবা লনসু ফংবা য়াবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংনা চানগনি অমদি অনৌবা থৌরাং পায়খৎপা মতাং চাই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : খূৎ চাউগনু অমদি অনম তানগনু-মদুনা নরল কাইনবগী মরম ওইগনি। মী খুদিংমক পুচেল শেংবা নত্তে অদুনা অরোনবা ঙাঙথোক্কনু। তাবা তম্মু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : মথা শাবা খরা লৈরসু ওইজবদি ফংগনি, অনৌবা আশা খরসু লাক্কনি। য়েক্লবনা খোইরাংহনবা অমদি নরল মাঙহনবা লৈগনি। শাওদবনা য়াইফরে।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাকপা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : পন্দুনা লৈরম্বদি পাংবা য়াবা লাক্লে, থি-হুম্বগী কান্নবসু ফংগনি। অদুবু পাঙ্গল ফুদোকপদি য়াদবা অমদি হেঞ্জিন্না অশা তৌবসু মাঙনীংঙাই ওইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নঙগী মতম লাকত্রি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ : মীয়াম্না থাগৎপিগনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। শূবা-নোম্বা কান্নগনি অমদি অনৌবা মরুপ লোয়নবা হেন্না কান্নগনি। অখঙ-অহৈ শারদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি লম্বীদা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

কন্যা : থবক পাংগনি, মীনা লাকচবা ঙম্লোই অমদি লেংদবা লন তানশিনবা ঙমগনি। লাই-গুরুনা থোইনা চানবনা মীয়ামগী থবক পাংবা মায় শোইদনা পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক য়াম্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা : থবক্তা শেল-থুম থাদবা য়াম্না লুবা মতমনি অমদি অখঙ-অহৈগী ৱা তুংওইননা খুৎচাউ থাবসু মাঙজগনি। ফমথোল ফংবগুম ইকায়খুম্নবা ফংবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবা থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : শাজৎ হৈয়ু ঙাইঙমদবা তৌগনু অমদি মীচং ৱাৎলি-ঙমলোইদবা থবক পায়গনু। হান্নদগী পায়রকপা থবকশিংদদি মায় পাক্কনি। অপান-অরাক পীথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙসিনা লোইবা নত্তে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিস মিস।

ধনু : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি অমদি অনৌবা অশা লাক্তুনা কান্নবা থৌরম কয়া পাংবা য়াগনি। ৱাদি ঙাঙবা য়াদ্রি অমদি নোল্লুক্না চৎপনা অঙম্ববু ঙমজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : মীনা ইনশিনবা লৌদনা অফবা থবক পাংবা হৌবা য়াগনি। মীকোকসু থোংবা ঙমগনি অমদি লল্লোন-ইতিক্তা খুৎচাউ থাবা য়াগনি। মরুপকদি শাওননি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : ঙাঙথোকপদা মীনা থাগৎপিগনি, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজৈ অমদি থৌনা লৈবনা অফবা থবক পাংবা য়াগনি। অদুবু চরাংনরদি মতম মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন : মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি - মীৱা থাজগনু। অচুম্বনা নথক থোংববু লাকশিনবা ঙমগনি, খাংবা কনবগী মহয় অফবা ফংগনি, হকচাং নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী - মীনা ইনশিনবা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# এইমসকী নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিংলূপ (এইমস) ময়ায় লোয়শঙগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং ঙরাং শেল্লোই লাংমাইচীংদা লৈবা লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োংগী মশাইকোন্দা চত্তুনা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না এইমসকী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইটস কেম্প্যেন (সি আই আর সি এ), মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সোমোরেন্দ্রোনা নৌনা থৌ পুগদবশিং অদুবু ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌখ্রবা নৌনা থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা খুমুজম রোমেন, ভাইস প্রসিদেন্টতা শাইখোম প্রেমচান্দ, জেনরেল সেক্রেটরিদা বেনর্জি হুইদ্রোম, জেইন্ট সেক্রেটরিদা সমানন্দা করাম, ফাইনান্সতা ওইনাম নিকার্সন, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা খুন্দ্রাকপম চিংখৈঙানবা, এদ্যুকেসন সেক্রেটরিদা সুরজ থোকচোম, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা সায়োনবা ৱাইখোম, সোসিএল এন্দ কলচর সেক্রেটরিদা নিয়ালি চনু, গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিদা নোংঙালকপা থৌদাম অমদি ৱিমেন এফেয়র্স সেক্রেটরিদা লোংজম রেবিতারানীনি হায়রি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সি এস ও কয়াগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি হায়নসু অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিংলূপ (এইমস)কী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

RaDiant Group
Celebrating
1 year completion



RaDiant RaDiant e-ride
AUTHORISED DEALER
OFFER

| Models | Old Price | New Price |
| --- | --- | --- |
| Arjun Rickshaw | ~~₹151064~~ | ₹137940 |
| Krishna Rickshaw | ~~₹176326~~ | ₹150820 |
| E-Loader | ~~₹164454~~ | ₹141380 |
| Futura Miracles | ~~₹75240~~ | ₹67450 |
| Race 60 | ~~₹78310~~ | ₹70450 |

RADIANT E-RIDE
GHARI AWANG LEIKAI, AIRPORT ROAD
© 9366288858

SANGAIPROU, NINGTHEMKOL
© 7085040962

THOUBAL ATHOKPAM
© 6009025091

MOIRANG PATLOU LEIKAI
NEAR FISH MARKET
WARD NO. 1, MOIRANG
©8787743072

HL-B/5441/4june to 4 july